# পিডব্লিয়ুডি গী ওফিসিয়েল টিমদা এম্বুশ তৌরকখ্রে, এস্কোর্ট ১ শিরে, ইঞ্জিনিয়ার য়াওনা ১০ শোক্লে

# ইঞ্জিনিয়ার ১সুং সেক্যুরিটিদা ভাইওলেন্স চত্থবনা সোলুসন পুরক্লোই

- ৱার্ক্স মিনিষ্টর

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, এপ্রিল* ২১ঃ মশক খঙদবা খূৎলাই পায়বা গ্রুপ অমনা পি ডব্লিয়ু ডিগী ওফিসিয়েল টিম অমগী মথক্তা বোম য়াওনা চথরকখিবা এম্বুশতা মণিপুর রাইফলসকী এস্কোর্ট পার্সোনেল অমা শিখ্রে, ইঞ্জিনিয়ার অনি য়াওনা য়ামদ্রবদা তরা অশোক-অপন নংগ্রে।

অমরোমদা কুকি লাললহৌবনি চিংনবশিংগী এম্বুসতা অশোক-অপন নংখিবদগী ইম্ফালগী সিজ হোস্পিতালদা লায়কন্নরিবা এমআর পার্সোনেলশিং অমদি ওফিসিয়েল টিম অদুবু ৱার্ক্স মিনিষ্টর ডাঃ রতনকুমারনা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে। লোয়ননা থৌদোক অদুবু পাংদবগী লিচৎনি হায়রদুনা ভাইওলেন্সনা সোলুসন অমত্তা পুরকপা ঙম্লোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ক্বাথা লমখাইগী এম্বসু অদু ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ৭:৩০ রোম তারকপদা ইম্ফাল মোরে লম্বীগী খুদেংথাবী অসাম রাইফলস চেক পোস্ত মনাক্কী কোথা লমখাইদা থোকখিবনি।

পি ডব্লিয়ু ডি (পব্লিক ৱার্ক্স ডিপার্টমেন্ট) চান্দেল ডিভিজনগী ওফিসিয়েল টিম অমনা ডিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং হঞ্জিন্না লৈরিবা কোখা খূলদা ডিপার্টমেন্ট অসিনা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক- থৌরমশিং য়েংশিনবা চৎপগী লম্বীদা মফম অদুদা হান্না লূমদুনা লৈরম্বা শকখঙদবশিং অদুনা বোম অমদি নোংমৈগী এম্বুশ অদু চথরকখিবনি হায়রি।

থৌদোক অদুদা এম আর পার্সোনেল অমা শিরগা পার্সোনেল তরুক শোকখি। অদুগী ওফিসিয়েলগী মায়কৈদেনা ইঞ্জিনিয়ার অনি অমসুং ড্রাইভর অনি শোকখি।

এম্বুশ অদুদা লৈখিদ্রবা এম আরগী পার্সোনেল অদুগী মমিংনা রাইফলমেন সচিন কৌই, পাঙলতাবীদগীনি।

শোক্লবা ওফিসিয়েলগী তিম অদুদা য়াওরিবশিংদি , সুপরিন্টেন্দিং ইঞ্জিনিয়ার এন জি মাংলেমজাও (৫৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা খোমদোন, কংলা শঙ্গোমশঙ, এসিষ্টেন্ট ইঞ্জিনিয়ার মাইবম বীরলা (৫৬) অপেকপা লৈখিদ্রবা ব্রজবিধু, ক্বাকৈথেল, ড্রাইভর লাইশ্রম মোচা (৪৯) অপোকপা উদোই, মোংশাঙ্গে, ড্রাইভর সিএঁচ থোইবা এলাইজ থোই (৪৮) অপোকপা নবকিশ্বর খুরাই চাইথবী লৈকায়নি।

অদুবু ডিভিজন অসিগী ইক্সিক্যুটিভ ইঞ্জিনিয়ার নিংথৌজম মিলন (৫৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা অমুয়াইমা, মোংশাঙ্গে স্কুল লৈরক অসিদি খুদোংথিবা থৌদোক অদুদগী অশোক-অপন নংদনা নাহ্লোকহোরে হায়রি।

এস্কোর্টকী মায়কৈদেনা হভিল্ডার আর কে বিক্রমজিৎ, হভিল্ডার দয়ানন্দ, রাইলফমেন টিএঁচ মনোজ, রাইফলমেন প্রেমকুমার, রাইফলমেন মংলেম অমসুং রাইফলমেন সুনিলনি।

মখোয় বোম মচেৎ অমসুং নোংমৈ মরুনা পান্দুনা অশোক-অপন নংখিবনি।

ডিপার্টমেন্ট অসিগী এস ই এনজি মংলেমজাওনা লুচিংবা তিম অদুদা ইক্সিক্যুটিভ ইঞ্জিনিয়ার এন মিলন অমসুং এসিষ্টেন্ট ইঞ্জিনিয়ার বিরলা য়াওই।

ওফিয়েল টিম অসিবু এস্কোর্ট তৌখিবনা ৭-বট্টালিয়ন মণিপুর রাইফলসকী পার্সোনেলশিংনি।

এস্কোর্টকী জিপ অনিনা মরক্তা চপ্লগা ময়াইদা চৎপা অঙাংবা মচুগী বোলেরো অমদা ওফিসিয়েলশিং অদু তোংবনি।

বোর্ডর টাউন মোরেদগী কোথা খূল তন্না চৎখিবা খোঙচৎ অদুনা খুদেংথাবী এ আর চোক পোস্তগী য়ামদ্রদবদা মিতর ৪০০ রোম হেন্দোরকপা ইম্ফাল-মোরে লম্বীগী কোথা লমখায় য়ৌশিল্লকপদা খঙহৌদনা হান্না প্লান্ট তৌদুনা থম্লম্বা শক্তি লৈবা মখলগী বোম অহুম মথং-মথং পোকখাইহল্লবা মতুং লূমদুনা লৈরম্বা অফবা মখলগী খূৎলাই পায়বশিং অদুনা মখা তানা নোংমৈ কাপশিল্লকখি।

মফম অদুদা হান্নদগী লূমদুনা লৈরম্বশিং অদুনা চীংচেক য়াওনা মফম অহুমদগী বোমশিং অদু মথং-মথং পোকখাইহল্লকখি। চীংথক্তা হান্ননা লূমদুনা লৈরম্বা মমাই-মমিৎ খুঙ্গা এম-১৬ রাইফল অমদি একে রাইফল মখলগী খূৎলাই পায়বশিং অদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী এস্কোর্ট ওইনা চৎলিবা এম আর পার্সোনেলশিংগী মায়কৈদগীসু হন্দুনা কাপখি।

নাকল অনিনা য়ামদ্রবদা মিনিত তরামঙারেম হন্নদুনা কাপ্লখি হায়রদুনা শকখঙদবশিং অদু মফম অদু থাদোক্তুনা চেনখ্রবা মতুং মখোয়বু বোর্ডর টাউনদা লৈরিবা মোরে হোস্পিতাল তন্না পুরক্লগা অহানবা লায়েং চত্থখি। মদুগী মতুং তারকপদা মখোয় ইম্ফালগী রিমস অমসুং শিজ হোস্পিতালদা মখা তানা লায়েং চত্থখি।

থৌদোক থোকপফমদা এস ডি পি ও মোরে, মোরে কম্মান্দোশিং অমসুং ৯-এ আরগী সি ও অমসুং মোরে পুলিস ষ্টেসনগী মফম অদুদা চংশিন্দুনা থিবা হুন্থগী থবক চত্থখি।

পুলিসনা মফম অদুদগী কাপথোকখ্রিবা নোংমৈ মরূশিং য়াওনা শকখঙদবশিং অদুনা শিজিন্নরম্বা ওইগনি হায়বা পেকেজ ড্রিঙ্কিং ৱাটর বোট্টল অমা, অমুল কূল বোট্টল অহাংবা অমা অমসুং পোলিঠিন অমুবা অমা ফংবা ঙমখি।

এম্বুশ অদু করম্বা 'য়ু জি গ্রুপ' না চত্থখিবনো হায়বদু চপ চানা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি। অদুমকপু মোরে পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা লৌখৎতুনা থিগৎপা হৌখ্রে হায়রি।

খুদেংথাবী এ আর চেক পোস্ত মনাক নক্না এম্বুশ অদু চথরকখ্রবসু পোষ্ট অদুদা লৈরিবা এ আরগী মায়কৈদগী নোংমৈ মরূ অমা ফাওবা কাপ্পদি লায়রদনা রি-ইনফোর্সমেন্ট ফাওবা চংশিন্দুনা মতেং পাংলকখিবা লৈখিদে হায়নসু খুদোংথিবা থৌদোক নংলবা এম আরগী পার্সোনেলশিংনা ফোংদোরক্লি।

অহানবগী ওইনা মহাক মনাক নকপা এ আর পোস্ত অদুদা পুশিনখি। অদুবু দোক্টর অমদি হিদাক লাংথক লৈতে হায়দুনা মতেং অমত্তা পীরক্তবদগী মোরে হোস্পিতাল তন্না পুরগা অহানবা লায়েং চত্থখি হায়রি।

মফম অদুদগী অশোকপশিং মখা তাবা লায়েংগীদক ইম্ফাল তন্না পুনবা হোৎনবদনা মোরে হোস্পিতালগী লৈরিবা এম্বুলেন্স অদুসু ব্রেক য়াদ্রে হায়রকপদগী শিজিন্নবগী খুদোংচবা ফংহনখিদ্রে। মখোয়বু এ আরগী এম্বুলেন্স অমা অমসুং লনাই গাড়ী মরি নেক্লগা ইম্ফাল তন্না পুরকখিবনি হায়রি।

খূৎলায় পায়দুনা লাল হৌরিবশিংনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ক্বাথা ভিলেজতা দিভলপমেন্টকী থবক য়েংশিনবা চৎলুবা ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টকী ইঞ্জিনিয়ার অমসুং মহাক্কী এস্কোর্টশিংদা ভাইওলেন্স চত্থদুনা মীশি মীনা অমদি অশোক-অপন থোকহনখিবগী থৌদোক্তুনা লালহৌবগী সোলুসন পুরকপা ঙম্লোই হায়না ৱার্ক্স মিনিষ্টর কেএঁচ রতনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

খূৎলায় পায়বশিংনা ঙসি অয়ুক পুং ৭ রোম তাবদা ইম্ফাল-মোরে লম্বীগী ক্বাথা ভিলেজ হায়জিনফমদা লেথোদ বোম অমদি নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক চথরকপদগী শোক্তুনা সিজ হোস্পিতালদা লায়কন্নরিবা ৮ শুবা অসাম রাইফলসকী পার্সোনেল অমা য়াওনা মীওই ১০ রোম অশোক-অপন নংখিবদগী লায়কন্নরিবশিং অদু য়েংশিনবা লাকখিবা অদু ৱার্ক্স মিনিষ্টরনা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোক্লদুনা মখা তানা হায়খিবদা, লৈবাক্কী চাওখৎ-থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎলিবা ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টকী ইঞ্জিনিয়ার য়াওবা খুৎপু অমদা এটেক তৌরকখিবসি পাংদবগী থৌওংনি।

থৌদোক অসি করম্বা লালহৌলুপনা চথরকখিবনো হায়বা খঙদ্রি। অদুবু অথুবদা খঙদোক্লবা থিজিল্লি। লাইবকথিবা থৌদোক অদুগী পাউফংবদগী সিএম অমসুং দিজিপিদা খঙহল্লবা মতুং অশোক-অপনশিং অদু হকথেংননা লৌবা চৎতুনা পলেলদগী পুরকখিবনি। ঙসিগী এটেক অদু তশেংনা হাৎলগে হায়না চথরকখিবনি।

মনুং হঞ্জিন্না লৈরিব ক্বাথা ভিলেজতা ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং য়েংশিনবা চৎলুবা দিপার্টমেন্ট অসিগী ইঞ্জিনিয়ার অমসুং এস্কোর্টপার্টিদা এটেক চথরকখিবা অসিনা ষ্টেট অসিগী চাওখৎ-থৌরাংগী থবক্তা থিঙ্হনগনি। মসিনা সোলুসন অমত্তা পুরকপসু ঙম্লোই। মরম অদুনা অসিগুম্বা লাইবক থিবা থৌদোক অসি খূৎলায় পায়বা লুপ অমত্তনা মখা তানা তৌরোইদবনি হায়খি।

পনবা য়াবদি এমএলএ দি কে কোরুমথাং, আইজিপি (এল ও-১) এল কাইলুন, ৱার্ক্সকী চিফ ইঞ্জিনিয়ারসু এম লোকেন্দ্রোসু সিজ হোস্পিতালদা লায়কন্নরিবশিং অদুগী ফিভম য়েংশিনবা লাকখি।

অমরোদনা ঙসিগী এম্বুশ অদুদা অশোক অপন নংদুনা শিজ হোস্পিতালদা লায়ন্নরিবশিংগী ফিভম হোমগী থবকসু ড্যিপ্যুতি চিফ মিনিষ্টর গাইখামনা হকথেংননা চৎতুনা য়েংনশিখিবগা লোয়ননা মখোয়গী লায়েংগীদমক শেলগী তেংবাং পীখ্রে। অশোকপশিংগী ফিভম য়েংশিল্লুরবা মতুং হোম মিনিষ্টরনা থৌদোক অদুবু অকনবা মওংদা কণ্ডম তৌরদুনা পাঊমীশিংদা হায়, থৌদোক অসি মণিপুর পুলিস পুলিস ডিপার্টমেন্টকী আই জি পি অমনা লুচিংবা টিম অমনা ইনক্বারী চত্থদুনা চেন্নবশিং মশক খঙদোক্লবা অমদি মরাল লৈবশিং ফাগৎনবা হোৎনরগনি।

"চাওখৎ-থৌরাংগী থবক য়েংশিনবা চৎপা কাংবু অমদা এম্বুশ তৌরকখিবা হায়বা য়াম্না পাংদবা অমদি লুজদবা থৌওংনি" হায়নসু হোম মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোংদোক্লদুনা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মণিপুর রাইফলকী রাইফলমেন অদুগী ইমুং-মনুংদসু ষ্টেটকী মায়কৈদগী পীবা য়াবা মতেং পীগনি অমদি ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়খি।